# তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএনএস): হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী জুন থাদা লুপ ক্রোর ২৭ হেনবগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী), চান্দেলগী চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈতে হায়দুনা হৌখিবা কুমজাগী দিসেম্বর ১৭তা এন দি এন্দ পি এস কোর্টনা থাদোরকপগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাবগাই অৱাং লৈকায়দা ৱাবগাই অৱাং লৈকায় ৱিমেন দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমসুং কাদাগা পুন্না খূৎশম্নদুনা ৱাকৎ মীফম অমা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুনে দাংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা ৱা ঙাঙখিবা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেননা হায়, মশামক্কী ক্বার্টরদগী য়াম্লবা দ্রগকা লোয়ননা ফাবদা চেন্নবা লুখোসৈ জৌ মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অসি মণিপুর লৈঙাক অসিগী ওইনা অচৌবা মায়থীবা অমনি অমসুং ইকায়নীংঙাইনি। কেস অসি মণিপুর লৈঙাক অমসুং লুখোসৈ জৌ অনীগী মরক্তা থেংনবা কেসনি। কেস অসি চথবা হৌরকপদা ফাগৎখিবা দ্রগকী সেম্পল মফম খঙদনা মাঙহনখিবা অমসুং চার্জশীট শেমদোক্লবা জজদা প্রেসর তৌরম্বগী ৱাফম কয়া লৈখিবনা কেস অসি অচৌবা লৌতুনবা অমা য়াওরে হায়বসি মীয়াম পুম্নমক্কী থম্মোয়দা চিংনবা ফাওখি অমসুং কেস অসিগী জজমেন্টতা পেল্লক্তবদগী মণিপুর লৈঙাক্লা হায়র কোর্ট অমদা অমুক হন্না আপিল চৎতুনা কেস অসি নৌনা থিজিলহনগদবনি হায়না লৈবাক মীয়াম্না চঙশিল্লিবা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং অসি তাবিরক্তবা তারবদি হৌনরুবা নাইদবা মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ অমা লাকপা য়াই হায়খি।

নাকল অমরোমদনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাবগাই তেরা উরক্তা ৱাবগাই তেরা উরক মৈরা পায়বী লূপ অমসুং কাদাগা পুন্না খূৎশম্নদুনা লুখোসৈ জৌ মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম অমা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা ময়েংবম বুধি, সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন, কাদানা ৱা ঙাঙখি।

ৱাকৎ মীফম অদু লোইশিল্লকপদা শরুক য়াখিবা খুদিংমক্না 'দ্রগ লল্লোনবা চৈরাক পীয়ু', 'লমদম অসিদগী দ্রক মপুং ফানা থিংউ' অমসুং 'ৱার ওন দ্রগস ফাগি তাহনগনু' হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া অমত্তা ওইনা লাউদুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

# এম এল এ রাধেশ্যামনা ফি শাবীশিংদা ফিশাকোল অমসুং লৌমীশিংদা পম্প য়েন্থোকখ্রে



থৌবাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএনএস): হৈরোক এ সীগী এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি এ সী অসিগী খনগৎলবা ফি শাবী ৫০দা ফিশাকোল অমমম অদুগা লৌমী ৪০দনা হীদাক কাপ্নবা পম্প অমমম য়েন্থোকখ্রে।

ঙসি য়েন্থোকখিবা ফিশাকোলশিং অদু মণিপুর লৈঙাক্কী ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টনা পায়খৎপা লুম অপগ্রেদেসন স্কিমগী মখাদা য়েন্থোকপা 'ৱান ফ্লাই শট্টল লুম' হায়না খঙনবা মখলশিং অদুনি অদুগা হীদাক কাপ্নবা পম্পশিং অদুনা মাইনোরিটি এন্দ অদর বেকৱার্দ ক্লাসেসকী মখাদা পায়খৎপশিংনি।

ফিশাকোল অমদি পম্পশিং অদু য়েন্থোক্লদুনা এম এল এ রাধেশ্যামনা হায়, নুপীদা পাঙ্গল পীবা, নুপীশিং মশাগা চানবা শিনফম পীদুনা মশানা মশাবু থবক পীজরগা কন্না শূ-নোম্লবদি ইমুং-মনুংদা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। মসিনা ইমুং অদু ঈংনা চিক্লা পানবা, মচা-মশু মহে তমহনবদা নুপীশিংসু শরুক য়াদুনা খুন্নাই অসি চাওখৎ লন্থীদা খোঙজেল য়াঙগদৌরিবনি। পান্দম অসিদা মীৎয়েং থম্লগা হৈরোক এ সীগী খনগৎলবা ফি শাবীশিংদা ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী মখাদা ফিশাকোলশিং অসি য়েন্থোকপনি।

এম এল এনা মখা তানা হায়, হৌজিক হৈরোক এ সীগী লৌমীশিংনা লৌ লোকখ্রবা মতুংদা হাঙদুনা লৈবা লৌফমশিংদা নিংথম মনা-মশিং পাক শন্না থানরি। মসিদা তীল তারকপনচিংবা থোকপদা লৌমীশিংনা তীল হীদাক কাপ্নবা পম্প লৈতবগী অৱাবশিং অদু খরদং ওইরসু কোক্লবা হায়দুনা এম ও বি সী দিপার্টমেন্টকী মখাদা হীদাক কাপ্নবা পম্পশিং অসি য়েন্থোকপনি। মসিনা লৌমীশিংদা মনা-মশিং ফজনা থাবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মসিগীদমক হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিবু হৈরোক এ সীগী মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়বা ৱাফমসু এম এল এনা থমখি।

# নীংথম মনা-মশিং থাবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএনএস): নীংথম মনা-মশিং থাদুনা লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহল্লসি হায়বা পান্দমগী মতাংদা নোংমগী ওইবা লৌমীশিংদা তাকপী তন্বীবা অমসুং খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে।

সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি, ইম্ফালগী মখাদা লৈবা ওল ইন্দিয়া কো-ওর্দিনেটেদ রিসর্ছ প্রোজেক্ট (এ আই সী আর পি) ওন কটনগী দিরেক্টোরেট ওফ রিসর্ছ অমসুং সেবা ভারতি, মণিপুরনা পুন্না শিল্লগা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা সী এ য়ুগী ইন্সত্রক্সন অমসুং রিসর্ছকী দিরেক্টর ডা. সোইবম বসন্তসু শরুক য়াখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুগী মতাংদা দিরেক্টর বসন্তনা হায়, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পায়খৎলিবা চিঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবা ইন্দিয়া অমা ওইহনবগী পান্দম অদু ফংগে হায়রবদি ঐখোয়গী লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা লৌ লোকখ্রবা মতুং হাঙদুনা লৈরিবা লৌফমশিংদা নিংথম মনা-মশিং থাদুনা পোত্থোক চাথোক হেনগৎহনবা মথৌ তাই। মসিগীদমক সী এ য়ুগী মায়কৈদগী মতৌ করম্না নিংথম মনা-মশিং মায় পাক্লা থাগনি হায়বগী লৌমীশিংদা ৱাখল লৌশিং পীবনি। লৌমীশিং চাওখৎলগা লমদম অদু চাওখৎকনি। সী এ য়ু ইম্ফালগী মায়কৈদগী লমদম অসিগী লৌমীশিংদা অফবা মখলগী নিংথম মনা-মশিংগী মরূশিং পীথদুনা মায় পাক্লবা লৌমী অমমম ওইনবা ত্রেনিং পীগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা সী এ য়ু রিসর্ছকী দেপ্যুটি দিরেক্টর ডা. টি ঐচ রোবিন্দ্রো, য়ুনিভর্সিটি অসিমক্কী রিসর্ছ দিরেক্টোরেটকী সাইন্টিষ্ট ডা. প্রমেশ কে ঐচ অমসুং হোর্টিকলচর এক্সপার্ট (টেক্নিকেল এসিষ্টেন্ট) এল জামিনিনা অখঙ অহৈশিং ওইদুনা লৌমীশিংদা নিংথম মনা-মশিং থাবগী মতাংদা মচা খায়না তাকপী তন্বীখি।

# লৈঙাক্লা শগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবা হৌবীরো : পি দি সী সী

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭(ঐচএনএস): অনৌবা চহী ২০২১না লাকপগা ইরোয়ননা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা শগোলমাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা শাগনি হায়খিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অদু শাবা হৌবীরো হায়না পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (পি দি সী সী)গী এদভাইজর নোংথোম্বম থোইবনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, হৌখিবা চহী ২০১২দা মতমদুগী লৈঙাক্লা ইম্ফাল ইষ্টকী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল খুন্দ্রাকপম এ সীগী শগোলমাংদা শাগনি হায়না উরেপ-উয়ুং ফাওবা হুনখ্রবনি। অদুবু লোকল এম এল এসু হোস্পিটাল অসি শানবগী লমশিং লৈঙাক্তা পীখ্রে হায়না মীয়ামদা অচৌবা নমথাক অমা তৌরম্লগা লমশিংদি লৈঙাক্তা পীরমদবনা মরম ওইরগা হোস্পিটাল শাননবা হোৎনবদা চয়েৎনবা লাকখি। মদুনা মরম ওইরগা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়ামদা পেন্দবা অমদি নুংঙাইতবগী ঈহুল অমা ঙসি ফাওবদা অদুম্মক লৈরি। অদুবু হৌখিবা চহী কুমজা ২০২০গী ফেব্রুৱারী ২২দা লোকল এম এল এগী ইমুং-মনুংনা শাংলবা চহী ৬কী মতুংদা ইম্ফাল ইষ্ট দি সীদা চে-চাং ইনদুনা হোস্পিটাল শানবগী লমশিং শিন্নখিবা লৈখ্রবনি। মরম অদুনা অনৌবা চহী অসিনা লাকপদা মণিপুর লৈঙাক্লা মায়কৈ অসোমগী মতম শাংনা ৱানা লৈরল্লবা মীয়ামগী খনবীদুনা হোস্পিটাল অসি অথুবা মতমদা শানবা হোৎনবীয়ু। লল্লাই এ সী অমসুং সাইকুল এ সীনচিংবা শোত্থহৌরবা ইম্ফাল ইষ্টকীদমক শাগদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি অতেনবা মতমদা শাবা হৌবীনবা হায়জরি। লোয়ননা অথুবা মতমদা শাবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মমাংদসু মণিপুর লৈঙাক্লা হোস্পিটাল অসি শাগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা মীয়ামদা পীখিবা থাজবা অদু লমদম অসিগী ইকাই খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টরনা মাঙহনবীদনবা পী দি সী সীনা আপিল তৌজরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অমনা নুমীৎ ৯গী মতুংদা অতোপ্পা মীওইশিংদা কোভিদ শন্দোকপা ঙমদে : রিপোর্ট

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএনএস) কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মতুংদা ফগৎলক্তুনা নেগেটিভ ওইরবা ফাওবদা খুন্নাই অসিনা মীওই অদুগা নকশিন্ননা লৈমিন্নবা অমদি নক্কনা ৱারী শাবা ফাওবা কিনরি। লোয়ননা তোঙানবা মীৎয়েং অমনসু য়েংবিদবা নত্তে। 'দি লেন্সেট' মেগাজিনদা ফোঙবা অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অমনা শুপ্নগী নুমীৎ ৯ ফাওবা খক অতোপ্পা মীওইশিংদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপা ঙম্মী। মদুগী মতুংদা অতোপ্পা মীওইশিংদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপা ঙমদে হায়রি।

ষ্টদি অদুগী রিপোর্টকী মতুংইন্না কোরোনা ভাইরস নুংশা শ্বর পুথোক-পুশিন তৌরিবা খৌনাউগী মরি অমদি মীওইবনা খোঙ হান্বদা য়াওরকপা পোৎশকশিংদা মতম য়াম্না শাংনা হিংদুনা লৈবা ঙম্মী। অদুবু ভাইরস অদুনা অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোকপদি ঙমদে হায়রি। লোয়ননা কোরোনা ভাইরস নুংশা শ্বর পুথোক-পুশিন তৌরিবা খৌনাউগী মরিদা য়াম্লবদা নুমীৎ ৮৩নি ফাওবা অমদি মীওইবনা খোঙ হান্বদা য়াওরকপা পোৎশকশিংদা কোরোনা ভাইরস নুমীৎ ১২৬ ফাওবা লৈবা ঙম্মী। অমরোমদা ওগষ্ট থাদা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্নদি পোজিটিভ ওইবা মীওই অমনা কোরোনা ভাইরস নুমীৎ ১৪দগী হেন্না অতোপ্পা মীওই অমদা শন্দোকপা ঙম্মী হায়খি। কোভিদ-১৯গী স্পিসিয়ল টাক্স ফোর্সকী মেম্বরশিংগী মতুংইন্নদি কোরোনা ভাইরসকী সাইকল মপুং ফানা লোয়বদা নুমীৎ ২৮ চঙই হায়রি। অদুবু ৱাফম অসি ঙসি ফাওবদা চপচাবা খুদম-চাংদম পীবা ঙমদ্রি।

কোরোনা লায়না হেক শন্দোকপা হৌরকপদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা কোরোনা ভাইরস অসি নুংশিৎতা শন্দোকপা ঙম্মী নৎত্রগা ঙমদে হায়বগী মতাংদা চপচাবা অমা খঙদনা চমন্নদুনা লাকখিবনি। অদুবু ৱাফম অসিগী মতাংদা সী এস আই আর- সেন্টর ফোর সেল্যুলর এন্দ মোলিক্যুলর বাইওলোজি (সী সী এম বি) অমদি সী এস আই আর- ইন্সটিট্যুট ওফ মাইক্রোবিয়ল টেক্নোলোজি (ইমটেক)কী ষ্টদি অমগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কোরোনাগী ভাইরস নুংশিৎতা চাওরাক্লা পুং অনীমুক হিংদুনা লৈবা ঙম্মী হায়রি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অমনা মতম শাংনা লৈরম্বাকা অমদা কোরোনা ভাইরস চাওরাক্লা পুং অনীরোম নুংশিৎতা লৈবা থেংনখি। মরম অদুনা ইন্সটিট্যুট ওফ মাইক্রোবিয়ল টেক্নোলোজিগী দিরেক্টর সঞ্জিব খোসলানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯গী চপচাবা হীদাক হেক পুথোরকত্রিবা মখেদি ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্লবা ফেস মাস্ক তঙাইফদনা শীজিন্নবা অমদি কোভিদ-১৯ এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপগী মথৌ তাই হায়রি।

হৌজিক-হৌজিক মালেমদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীশিং অসি ক্রোর নিপাল লাখ ৭৭ হেনখ্রে। শিখিবা মীশিংনা লাখ ১৮ লিশিং ৯৩ হেনখ্রে অমদি ফগৎলকপা মীশিংনা ক্রোর তরুক লাখ ৩২ হেন্না ফখ্রে। মালেমগী ওইনা ইন্দিয়ানা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা খ্বাইদগী য়াম্বা অনীশুবা লৈবাক ওইরি। চৈরক অসিদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ষ্ট্রেন অমা য়াম্না কন্না শন্দোরক্লিবা অসিগী মনুংদা য়ুনাইটেদ কিংদমদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ষ্ট্রেন অসিনা খ্বাইদগী হেন্না থুনা-য়াঙনা ভাইরস অসি শন্দোকপা ঙম্মী হায়রি।

# ইমা শাবী দেবীগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএনএস): কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ৮১শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী ইসিখাদা লৈবা ইকো গ্রীন পার্কতা ওল মণিপুর নুপী মরুপকী অহানবা জেনরেল সেক্রেটরি ওইখিবী ইমা শাবী দেবীগী খিল্লিবা মীতমদা সী পি আই এম এস সীগী সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা লুচিংদুনা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে হায়না এম এস সী/সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# রাজকুমার ঝলজিৎনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী শক্নাইরবা হিষ্টরিয়ন অমসুং পদ্মশ্রী এৱার্দি ঝলজিৎনা লৈখিদবদা মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসন (মালা) গী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা শীন্দুনা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরিদা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসন ইম্ফালগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে উরমিলানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা রাজ কুমার ঝলজিৎতা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনট অনী তুমিন্না লেপখি হায়রি।

# মাইবম তোম্বা খুমননা ইবা লাইরিক অনী ফোঙবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএনএস) : ৱাংখৈ থম্বালখোংদা লৈবা মীতৈ শঙলেন্দা মীতৈ মরুপ, মীতৈ লৈবাক (মণিপুর) না শীন্দুনা মাইবম তোম্বা খুমননা খোমজিন্দুনা ইথোকপা লাইরিক অনী মীতৈ ইরোল ইয়েক অমসুং লাই খুন্দিল লাল্লুপকী শুগাই ৱারোল হায়না মীংথোনবা মীতৈ খুন্নাইগী লন ওইগদবা লাইরিক অনী ফোঙখ্রে হায়না মীতৈ মরুপ, মীতৈ লৈবাক (মণিপুর) কী সেক্রেটরি জেনরেল অঙোমচা সেরাম গোজেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা থৌবুরেল ওইনা য়ুমখাইবম চীংখৈঙানবা লুৱাং, মীতৈ মরুপকী এদভাইজর খুরাইজম রাজেন্দ্রো অমদি লুক্রাম গৌরনচিংবনা ফমলেন ফম্বৈদা লেংশিন্দুনা শরুক য়াখি। লোয়ননা মীতৈ মরুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট তোংব্রম গুলামজাৎনা লাইরিক অনীসিগী মরমদা ৱাফম কয়া থমখি অমদি অইবা মাইবম তোম্বা খুমননা লাইরিক অনীসিগী মতাংদা অসুপ্পা ৱারোল পীখি হায়রি।

# য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা লেপ্তুনা তেংবাংশিং পীনরক্লি

ইম্ফাল, জানুৱারী ০৭ (ঐচএনএস)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা লন্নাই মীওইশিং অমদি লূপ কয়ানা তেংবাং লেপ্তুনা পীরক্লি হায়না চিলদ্রেন হোম অসিগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পীবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ১৬ তা থাংমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকায়দগী কোইজম জয় গোপালনা হোম অসিগী অঙাংশিংদা চাক্লেন পীজবগা লোয়ননা ষ্টেসনরি আইটেমশিং পীরমখি। চীংমৈরোং মনীং লৈকায়দগী এল এল কন্সলটেন্সি মণিপুরনা হোম অসিদা লৈরিবা অঙাংশিংগীদমক ফি রোল, বোল, অচা অথক্কী পোৎলমশিং, ষ্টেসনরি আইটেমশিং অমদি গিটর অমা খুৎশিন্নরমখি।

দিমেসম্বর ১৮ দনা ফৈয়েং অৱাং লৈকায়দগী অঙোম চন্দ্রমনিগী মচানুপা অঙোম ননাওনা মহাক্কী মচানুপী তিয়ানানা চহী ৬ শুরকপগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা মেরি বিসকুট বোক্স ১, অচাথাউ লিটর ১২, হৱাই কে জি ২০ অমদি অঙাংশিংনা চানবা পোৎলমশিং পীরমখি। মখোয়গা লোয়নরকখিবা পুর্নিমাসি কৌবী অমনা গ্লিসরিন, থুম অমদি ঙারিনচিংবা তেংবাং পীরমখি।

দিসেম্বর ১৯ দনা কোংপাল, চেক্কোন অমদি থম্বালখোংদগী থিংনাম লোইজিংলেম্বা মঙাং, মোইরাংথেম মোন্টেশ্বরি অমদি লাইশ্রম রসমীনা চেং বেগ ২, আলু, হৱাই, চিনি, সাপোন, বকেৎ অমদি চানবা পোৎলমশিং পীরমখি। দিসেম্বর ২২ দনা খুরাই কোন্সম লৈকায়্রদগী নোংরেন থাংজমনা মহাক্কী প্রোগ্রাম মীয়ামগী পান্দম য়ু ট্যুব চেন্নেল (ৱান কম্পিটিসন) গা মরী লৈননা কম্বল অমদি চিনিনচিংবা পীরমখি।

দিসেম্বর ২৪ দনা থাংমৈবনন্দ য়ুম্নাম লৈকায়দগী য়াৱা মিদিয়ানা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজখি। সগোলমাং খেৱা কম্পনিদগী লাইশ্রম জেমসনা মাগী মচানুপা লাইশ্রম সয়োনবনা চহী ৩ শুরকপগা মরী লৈননা মীতৈ চেং কে জি ৩০, অচাথাও লিটর ৫ গা লোয়ননা অলু, হৱাই অমদি তিলহৌনচিংবা পীরমখি। দিসেম্বর ২৫ দনা লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল (একসিলেন্স) না মখোয়গী রিলিভিং হঙ্গর প্রোগ্রামগী মখাদা চেং বেগ ২, আলু বেগ ১, য়েরুম সেট ৪, হৱাই কে জি ১০ পীরমখি। ইম্ফাল, উয়ুম্পোক, শিংজমৈ অমদি দিলিদগী ময়েংবম কপিল, লোংজম মোমোচা, প্রবিন কুমার, রাজ কুমার, সুরেস চনমনা চেং বেগ ৩, আলু বেগ ১, অচাথাও লিটর ১০, নোটবুক ২৪, সাপোন ২০, টুথ পেষ্ট ৬ পীরমখি।

দিসেম্বর ২৭ তনা খাবম লমখায়দগী য়েংকোকপম সুরেসকী মচানুপা য়েংকোকপম মেক্সৱেলনা চহী ২১ শুরকপগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা চেং বেগ ১, ফুটবোল ১, ব্লাঙ্কেট ১৫, অচাপোৎ অমদি নোটবুকশিং পীরমখি। দিসেম্বর ২৮ দনা হৈঙাং মখা লৈকায়দগী সনৌজম তোন্দাংনা চেং বেগ ১, আলু বেগ ১, ৱাটর বোটল পেকেট ২, বিসকুইট, চেংপাক অমদি সেনিটাইজরশিং পীরমখি। নুমিৎ অসিমক্তদা খুরাই লম্লোং চীংঙাম্বম লৈকায় লাইনিংথৌ লৈরক্তগী খোমদ্রাম ইবেমপীশকনা মহাক্কী মশুনুপা খোমদ্রাম পিবারেলনা চহী ১ মপুঙ ফারকপগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা চেং বেগ ২, আলু, অচাথাও, হৱাই, চিনি, বিসকুইট অমদি য়েরুম্নচিংবা পীরম্বগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২ সু পীরমখি।

দিসেম্বর ৩১ দনা ইম্ফাল ইষ্ট থম্নাপোকপীদগী ওইনাম রিসি মীতৈনা চেং বেগ ১, য়েন কেজি ১০, অমদি মনা মশীং পীরমখি। নুমিৎসিমক্তদা ব্রহ্মপুর থাঙ্গাপাৎ মপান্দগী ফুরাইলাৎপম রামকুমারনা মাগী মচানুপা রাহুলনা চহী ১৫ শুরকপা মপোক নুমিৎ থৌরমদা লুপা লিশিং ৮ পীরমখি অমদি কাইরংদগী এম দি হবিবুরনসু লুপা ৫০০ হোম অসিদা মতেং ওইনা পীরমখি হায়রি।

মীয়ামগী মতেংখক্তনা চল্লাইরিবা হোম অসিদা লৈরিবা অঙাংশিংবু নুংশিবা উৎপা ওইনা তেংবাং পীরকখিবশিংবু হোম অসিগী অঙাংশিং অমদি মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

# নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল এৱার্দকী এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএনএস): চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৯দা নেপালগী কাঠমন্দুদা পাঙথোক্কদবা ১১ শুবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্সতা পীগদবা ইন্টরনেসনল এৱার্দ অমদি ফেব্রুৱারীদা বঙ্গলাদেশতা পাঙথোক্কদবা থৌরমগা লোয়ননা মার্চ ২৫দা মণিপুরদা পাঙথোক্কদবা দলিত সাহিত্যগী তোঙান-তোঙানবা থৌরমশিংদা পীগদবা নেসন অমদি ইন্টরনেসনল এৱার্দকীদমক এপ্লিকেসন কৌরি হায়না দলিট সাহিত্য একাদেমিগী সেক্রেটরি বি কে মঙাঙনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, মালেম শিনবা থুংনা শকখঙনরবা দা. বি আর অম্বেদকর নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল এৱার্দ, ইন্দো নেপাল ফ্রেন্দসিপ ইন্টরনেসনল এৱার্দ, গ্লোবেল এচিভর্স এৱার্দ, ইন্টরনেসনল য়ংষ্টার এৱার্দ, লোর্দ বুধ ইন্টরনেসনল এৱার্দ, এসিয়ন এক্সলেন্স এৱার্দ, লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ, কলাক্ষেত্র গুরু এৱার্দ, ইন্টরনেসনল পিস এৱার্দ, প্রাইদ ওফ নেপাল, প্রাইদ ওফ বঙ্গলাদেশ এৱার্দ, ইন্দিয়ন ষ্টার এৱার্দ অমদি তোঙান-তোঙানবা হীরমগী এৱার্দশিংগীদমক থৱায় য়াওবা মীওইশিংদগী জন্যুৱারী ২০ ফাওবগী মনুংদা এপ্লিকেসন কৌরি। এপ্লিকেসন থাজিল্লকপা মতমদা পাসপোর্ট ফোটো অনী, বাইওদাটা অমদি শকখঙচেশিং য়াওনা দলিত সাহিত্য একাদেমি মণিপুরগী ময়ায় লোইশঙদা নত্রগা ইমেল dalitsahityaacademy@gmail.com/yadawangjing@gmail.com দা টুদি নেসনল সেক্রেটরি দলিত সাহিত্য একাদেমি মণিপুরদা এদ্রেস তৌরগা থাজিল্লকপা য়াগনি। অকুপ্পা মরোল অমদি অথুবা ই-পাউগীদমক মোবাইল নম্বর ৭০০৫৭৮০১২৫, ৯৪০২৭৩৩৪৯১ দা কন্টেক্ট তৌবিরকউ হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রি।

# ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ৮১শুবা ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ৮১শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ঙসি ইরাবত ভবন হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবলানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৮১শুবা ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ফাউন্দেসন দেগী থৌরম অদুদা কি নোট এদ্রেস পীরদুনা ওর্গেনাইজেসনগী সেক্রেটরি এল সুমতিবলানা হায়, কুমজা ১৯১৪গী জন্যুৱারী ৭তা লূপ অসি লিংখৎখিবদগী ঙসি ফাওবদা নুপী মরুপনা তৌখিবা থবকশিং, তনখিবা দিমান্দ কয়া ফংখিবগী মতাংদা মরীক চুম্না ফোঙদোকখি। লোয়ননা ঙসি মীয়াম্না অহোঙবা মমলদা ফংলিবা ফুদ সিক্যুরিটিগী চেঙ অসি নুপী মরুপনা নেসনল ফেন্দরেসন ওফ ইন্দিয়ন ৱিমেনগা পুন্না তানখিবা দিমান্দশিংগী মনুংদা অমনি।

নুপীশিংনা চাদা ৩৩ লৈঙাক সাসন্দা য়াওহনগদবনি হায়বসি মতম কয়াগী মমাঙদগী তান্দুনা লাকই। অদুবু হৌজিক ফাওবদা বিল অসি পাস তৌবীদনা থম্বীরি। নুপীশিংবু পোলিটিক্সতা য়াওহন্দনা ইন্থোক্তুনা থম্লগদি অৱাংবা থাক্তা পুখৎলক্তুনা নুপা নুপী থোং মান্নবা খুন্নাই অমা ওইবা ঙমলোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি হায়রি।

নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট শখিনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা নুপীদা চথুবা মীওৎ মীনৈগী মতাংদা নুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীরগা হাৎতোকপীরম্বগী থৌদোক কয়া অমদি হুন্দোকপীরম্বা, থৌরি য়াম্লগা হাৎপীবা অসিগুম্বা থোক্লিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংবা ঙমদনা লৈরবসু দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ ওইরিবা এ নৌতুনেশ্বরিনা অচুম্বা অমদি অথুবা ৱায়েল পীদুনা মরালগী মতুংইন্না শিবগী চৈরাক পীবগী ৱায়েল পীখিবগী মতাংদসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱাই ইবেনি, ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট এম শখি, এল মেম্মা অমসুং এল প্যনবতিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

# য়ূম মৈ থারম্বা মীওই পুং ২৪গী মনুংদা ফাদ্রবদি খোঙজং চত্থরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএনএস): হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নোংয়াই মতুং পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন মনীং য়াংবী লৈকায়দা লৈবা ফুসম এম দি তেম্বগী য়ূমদা য়াম্না তমথীবা মওংদা ইমুংগী মী মখৈ হাৎনবা য়ূম মৈ থারম্বা থৌদোক অদুবু জে এ সী অগেনষ্ট দ বর্নিং ওফ থেম্বস হাওস এন্দ দ এটেম্প ওফ মর্দরিং ওন দ ফেমিলি মেম্বরনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিদা মরু ওইনা চেন্নরিবা মীওই অদুদি বোগিময়ূম মৌলানা হেসালুহাগী মচানুপা বোগিময়ূম নুর হসন এলিয়জ ইমরান অসি হৌজিক ফাওবা পুলিস দিপার্টমেন্টনা ফাগৎপা ঙমদনা লৈরিবা অসি লাইবক থীবনি হায়না জে এ সীগী কনভিনর এম দি বোয়াইনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা বোগিময়ূম নুর হসন এলিয়জ ইমরান অসি ঙসি ফাওবা ফাবা ঙমদবা অসি পুলিসকী মীংচৎ থীনীংঙাইনি। মখা তানা পুলিস দিপার্টমেন্টনা পুং ২৪ ফাওবগী মনুংদা ফাদ্রবদি জে এ সীনা মখা তাবা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি। জে এ সীনা চত্থরকপা খোঙজংদা তোঙান তোঙানবা সী এস ওশিংনসু শৌগৎপীনবা হায়খি।

অমরোমদা, থৌদোক অসিগী মতাংদা মণিপুর মুসলিম ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী ফাইনান্স সেক্রেটরি চসাবা অচৌবনা ফোঙদোরকপদা নুংশিনরম্বা নুপীনা লাপথোকখিবদা মীগী য়ূম মৈ থানবা হোৎনরম্বা বোগিময়ূম নুর হুসেন এলিয়জ ইমরান অসি অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা ফাবীদুনা লোগী মতুংইন্না চৈরাক পীবীনবা আপিল তৌখি।

# কে সী পি গ্রুপ অমগী লোৎলম্বা খূৎলায়শিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএনএস): ঙসি অয়ূক পুং ৬ লোম তাবা মতমদা বিষ্ণুপুর কম্মান্দো য়ুনিট অমদি ১৬শুবা অসাম রাইফলসকী টিম অমনা ওইনাম ময়াংপাৎ এরিয়াদা থি-হুম্বা চত্থবদা কে সী পি গ্রুপ অমগী লোৎলম্বা নোংমৈ অমদি বোম্নচিংবা ফংখ্রে।

কম্বাইন্দ ফোর্সনা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ঙসি নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ওইনাম ময়াংপাৎ এরিয়াদগী কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফাগৎখিবা খূৎলায়শিং অদুদি ৯ এম এমগী পিষ্টোল ১, পোইন্ট ৩২ এম এমগী পিষ্টোল ১, ৩০৩ রাইফল অমা, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ ১, ৩৬ হেন্দ গ্রেনেদ ১, দিটোনেটর ১, ৩০৩গী মরূ ১২, হেন্দসেট ১, ৯ এম এমগী মেগজিন ১, পোইন্ট ৩২ এম এমগী মেগজিন ১, ৩০৩ রাইফলগী মেগজিন অমনি।

ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু নম্বোল পুলিস ষ্টেসন্দা খূৎশিন্নখ্রে। লোয়ননা নম্বোল পুলিসনসু কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

# দ্রগ লল্লোনবী নুপী অনী ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএনএস): ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.২০ রোম তাবা মতমদা ককচীং কম্মান্দোগী টিম অমনা চান্দেল লমখাইদগী ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোনবী নুপী অনী দ্রগকা কোন্ননা ফারে।

ফারবা মীওই অনী অদুদি চান্দেল সব দিভিজনগী মিতোং খুলদগী এন জি তোরোনি (৪২) মপুরোয়বা এন জি ঙারুহ অমদি খুন অসিমক্তদগী শাংশাং বরোহ (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা কোকো ঙারুহনি। মখোয়দগী ব্রাউন সুগর গ্রাম ২৫৯ রোম ফারে। মখোয় অনী মখা তানা লিগেল এক্সন লৌখৎনবা ককচীং পুলিস ষ্টেসন্দা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।